ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ০৯, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৬৫শুবা মশীং

# লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক তোয়না থোরকপা

## অৱাং নোংপোক্তা এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী থোকখিবদা মণিপুরনা ২শুবদা লৈরি

অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা মমাঙ চহীদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক ১০,৭০৯ থোকখি হায়না নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি) গী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না অৱাং নোংপোক্তা এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী মশীং য়াম্না থোকখিবা ষ্টেটতি অসামনি। মথংদা ত্রিপুরা অমসুং মণিপুর লৈরি। অসামদা এক্সিদেন্ট ৮,৬৫১; ত্রিপুরাদা ৬৮৭ অমসুং মণিপুরদা ৬৭২ থোকখি। ত্রাফিক এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিখিবগী মতাংদসু অসামনা মাঙজিল থারি। অসামদা মীওই ৩,৮৪৩ ত্রাফিক এক্সিদেন্টতা শিখি। ত্রিপুরাদা মীওই ২৭১ অমসুং মেঘালয়াদনা মীওই ১৭৬ শিখি। রোদ এক্সিদেন্ট, রেলৱে এক্সিদেন্ট অমসুং রেলৱে ক্রোসিংদা থোকপা এক্সিদেন্ট পুনশিল্লগা ফোঙলকপা এন সী আর বিগী রিপোর্টনা হায়, মমাঙ চহীদা অৱাং নোংপোক লমদমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা রোদ এক্সিদেন্ট ১০,০৭৩ থোকখি। অসামদা ৮,০৫৫; মণিপুরদা ৬৭২ অমসুং ত্রিপুরাদা ৬৫৫ থোকখিবনি। অৱাং নোংপোক্তা রোদ এক্সিদেন্ট থোকপদা পূন্না মীওই ৪,০৯৪ শিখিবগী মনুংদা অসামদা ৩,২৪৫; ত্রিপুরাদা ২৩৯ অমসুং মেঘালয়াদা ১৭৬ শিখি। ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা য়েংবদি রোদ এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হন্থরকখি। কুমজা ২০১৮দা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পূন্না ত্রাফিক এক্সিদেন্ট ৪,৭৪,৬৩৮ থোকখি অদুবু মমাঙ চহীদদি ত্রাফিক এক্সিদেন্ট ৪,৬৭,১৭১ থোকখি। ষ্টেট-ষ্টেটকী ওইনা য়েংবদা ত্রাফিক এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেনগৎলকপদা মধ্য প্রদেশনা মাঙজিল থারি। কুমজা ২০১৮দা মধ্য প্রদেশতা ত্রাফিক এক্সিদেন্ট ৪৯,০৮০ থোকখ্রবসু কুমজা ২০১৯দদি ৫৩,৩৭৯ থোকখি। রাজস্থান্দনা থৌদোক ২২,৪০১ থোক্লম্বদগী ২৪,২৮১ য়ৌরকখি। উত্তর প্রদেশতসু ৪০,৭৮৩ ওইরম্বদগী ৪২,৩৬৮দা হেনগৎলকখি। নাকল অমরোমদা ত্রাফিক এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং খ্বাইদগী হন্থরকপা ষ্টেট টামিল নাদুনা ওইখি। কুমজা ২০১৮দা ষ্টেট অসিগী ওইনা ত্রাফিক এক্সিদেন্ট ৬৬,১১০ থোকখ্রবসু মমাঙ চহীদদি ৫৯,৪৯৯দা হন্থরকখি।

মতৌ অসুম্না মমাঙ চহীদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা ত্রাফিক এক্সিদেন্টশিংদা মীওই ৪,৪২,৯৯৬ অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা মীওই ১,৮১,১১৩ শিখি। মী খ্বাইদগী য়াম্না শিখিবা ষ্টেট ওইরিবা উত্তর প্রদেশতা মীওই ২৭,৬৬১; মহারাষ্ট্রদা ১৮,৫২৪ অমসুং মধ্য প্রদেশতা মীওই ১৩,৪৯৭ ত্রাফিক এক্সিদেন্টশিংদা শিখি। ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা রোদ এক্সিদেন্ট ৪,৩৭,৩৯৬; রেলৱে এক্সিদেন্ট ২৭,৯৮৭ অমসুং রেলৱে ক্রোসিং এক্সিদেন্ট ১,৭৮৮ থোকখিবদা মথংশিংনা মীওই ১,৫৪,৭৩২; ২৪,৬১৯ অমসুং মীওই ১,৭৬২ শিখি। মমাঙ চহীদা রোদ এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী য়াম্না থোকখিবসি কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ী থৌবশিংনি। রোদ এক্সিদেন্ট চাদা ৮০ হেন্না চেকশিন্দবা মওংদা খোঙজেল য়াঙনা গাড়ী থৌবদগী থোকপনি হায়না পল্লদুনা এন সী আর বিগী রিপোর্টনা হায়, থৌদোক চাদা ৫০ রোম্না লম্বী ফত্তবদগী থোকপনি। ইন্দিয়াদা কনাগুম্বা মীওই অমনা দ্রাইভিং লাইসেন্স লৌবদা থোইদোক্না অরুবা ওইদে হায়না পল্লদুনা এন সী আর বিগী রিপোর্টনা হায়, কা হেন্না চেকশিন্দবা মওংদা খোঙজেল য়াঙনা গাড়ী থৌবদগী এক্সিদেন্ট থোকপনি হায়বা পুলিসকী এফ আই আরদগী খঙবা ঙম্লে। লম্বী ফত্তবা, লম্বীগী শরুক কয়ামরুমদা কোমকুৎ মচা-মচা লৈবা অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবা হায়বসিসু রোদ এক্সিদেন্ট থোকহন্নবগী মরু ওইবা মরমশিংনি। রোদ এক্সিদেন্ট থোকপদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিবা অমসুং অশোক-অপন নংবগী মতাংদা মাঙজিল থারিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু য়াওরি হায়না পল্লদুনা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, মীপূম খুদিংমক ত্রাফিক্কী কাঙলোন ঙাক্না চৎহন্নবা হোৎনফম থোকই। লোয়ননা লম্বীগী ফীভমসু ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা লম্বীগী ফীভম করম্বা মওংদা লৈরিবগে হায়বা পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। লম্বী ময়ায়দা কোমকুৎ মচা-মচা লৈবা অদুগা লম্বী মতাইদনা গাড়ী কয়ামরুম পরেং শানা খামজিন্দুনা থম্নবা মফম অয়াম্বদা উবা ফংলি। ফীভম অসিদা অথুবা থবক অমগী লাকপা মীওই কয়ানা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। এক্সিদেন্ট থোক্নবগী মরমসু ওইরি। হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১

১। মণিপুরী সাহিত্যগী চানক্য শ্লোকনি হায়নফাও শীংথানরিবা লাইরিক অদু করিনো?

২। "লম্লান কাইগী খোয়রোয়দি লোয়ুম্বা পাম্মু নংবু
মীচা পোক্তি নুংশিবা। চেংগৈ পাৎতা পাইবা-খোই,
ঙাঙৌ পাৎতা চাকতাবা, চিংজাও খোইমু লৈপাম্বা,
তত্ব মুহি খাংনৌবা"
মথক্কী অসি কনানা কনাদা শৈথাবনো? করম্বা মতাংদনো?

৩। মণিপুরী সাহিত্যগী অঙনবা মতমদা ফোঙখিবা ৱারী মচা অমনি "বাসন্তিগী নুংশি-মীনোক" হায়বসি। ৱারী মচা অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা ইহান হান্না ফোঙখিবগে?

৪। "নিঙোলগী হৌনসানি। মৈতৈ লৈপাক অরাপ্পা নত্তে, য়ুম্লোন্নবনি, থাপতোক্লবা য়াদ্রবনি। ...মৈতৈ নত্তনা চীংগী কনাসু লৈতে, মৈতৈগীসু ঐখোয় নত্তনা লৈতে।"
শক্নাইরবা অইবা অমনা ইবা উপন্যষ অমদগী লৌথোরকপা য়াম্না খঙনরবা ৱাহৈ পরেংশিংনি। মসি কনানা কনাদা হায়বনো?

৫। মণিপুরগী শক্নাইরবা নোবেলিষ্ট ব্রজমণি মাইস্নাম্বা না ইবা ত্রিলোজি নিংথেমনুবী হায়বসি করম করম্বা নোবেলশিংনা পূনশিনবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোমলাগী মকুনা শিরবা লিথিয়ম - আইওন বেট্টরিবু অনৌবা বেট্টরিদা ওন্থোকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

নানয়াং টেক্নোলোজিকেল য়ুনিভর্সিটি, সিঙ্গাপুর (এন টি য়ু সিঙ্গাপুর) গী সাইন্টিষ্টশিংনা চাখ্রবা উহৈ-ৱাহৈশিংগী মকু শীজিন্নদুনা, শিরবা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিশিংদগী মমল য়াম্লবা ধাতুশিংবু অমুক হন্না শুংদোক্লগা অনৌবা বেট্টরিশিং শাবগী পান্থে পুথোকপা ঙমখ্রে। থিজিন-লূপ অসিনা কোম্লাগী মকু শীজিন্নদুনা শিরবা অমসুং হুন্দোকখ্রবা বেট্টরিশিংদগী মমল য়াম্লবা ধাতুশিংবু মায় পাক্না লৌথোকপা ঙমখি। অসিগুম্বা ধাতুশিং অসিবু শীজিন্নদুনা অনৌবা বেট্টরিশিং শাবা অসিনা শিরবা বেট্টরিশিংগী অরেম-অখাকশিংগী চাং য়াম্না হন্থহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

থিজিনখিবা সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, চিঙ্গাক অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্কী অরেম-অখাক (ই-ৱেষ্ট) অনীমকপু 'অরেম-অখাক্তগী রিছোর্স' তা ওন্থোকপগী থৌওং অসিনা 'জিরো ৱেষ্ট' কা লোয়ননা 'সরকুলর ইকোনোমি' অমা শেমগৎপদসু মতেং পাংলে। চহী খুদিংগী মালেমদা চিঙ্গাক্কী অরেম-অখাক টোন বিলিয়ন ১.৩ অমসুং ঈ-ৱেষ্টকী টোন মিলিয়ন ৫০ রোম পুথোরকই হায়না পানৈ। শিরবা বেট্টরিশিংবু হান্নদগী হৌনা য়াম্না শাবা মৈশা (৫০০ দিগ্রী সেলসিয়সকী মথক) পীশিন্দুনা মমল য়াম্লবা ধাতুশিংবু নৌনা অমুক শুংদোকই। থৌওং অসিদা হু চেনবা গ্যাসশিং থাদোরকই। অতোপ্পা মওং অমরোমদনা, মপাঙ্গল কনবা এসিদকী সোলুসনশিং নৎত্রগা হায়দ্রোজেন পেরোক্সাইদকা লোয়ননা মপাঙ্গল খরা শোনবা এসিদকী সোলুসনশিং শীজিন্নদুনা ধাতুশিংবু নৌনা অমুক শুংদোকপগী থবক অসি পাঙথোক্নরকখি, অদুবু মখোয়না সেকেন্দরি পোলুটেন্টশিং থাদোরক্তুনা হকশেল অমসুং শাফবা পুন্সি মহিংদা শিংনরকখি, অদুগা হায়দ্রোজেন পেরোক্সাইদ অসিসু খুদোংথিনীংঙাই ওইবা অমসুং ফীভম চেৎতবা হায়বদি মরোমদোম অতোপ্পা কেমিকেলশিংদা ওন্থোকচখিবা ঙম্বা কম্পাউন্দ অমনি।

'এন টি য়ু সিঙ্গাপুর-সী ঈ এ এলাইন্স ফোর রিছর্স ইন সর্কুলর ইকোনোমি' (NTU SCARCE) লেবকী কো-দিরেক্টর ওইরিবী প্রোফেসর মাধবি স্রিনিভাসনা হায়, ঈ-ৱেষ্টশিংবু ইন্দষ্ট্রিদা রিসাইক্লিং তৌবগী হৌজিক শীজিন্নরিবা থৌওংশিং অসিদা এনর্জি য়াম্না চঙই অমসুং মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা পোলুটেন্টশিং থাদোরকই। অদুনা নোংম-নোংমগী য়াম্বা হেনগৎলক্লিবা ঈ-ৱেষ্টশিংবু ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা পান্থেশিংনা রিসাইক্লিং তৌবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা ওইরক্লি। NTU SCARCE লেব অসিমক অসিগুম্বা রিসাইক্লিংগী পান্দমদা য়ূম্ফম ওইরগা লীংখৎখিবনি। হৌজিক মখোয়না পুথোরক্লিবা পান্থে অসি সষ্টেনেবল ওইবা মালেম অমগীদমক খুমাঙ চাওশিল্লবা টেক্নোলোজিগী শরুক অমা ওইরে।

সিঙ্গাপুরগুম্বা রিছোর্স মরাং কায়না লৈজদবা লৈবাক অমদা ইলেক্ট্রোনিক্কী অরেম-অখাক পূম্নমক্তগী মরুওইরবা ধাতুশিংবু অর্বান মাইনিংগী থৌওংনা শুংদোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। থৌওং অসিগা লোয়ননা, লেম্না মাঙখিগদৌরবা অমসুং অকোয়বগী




'অরেম-অখাক্তগী রিসোর্স'তা ওন্থোকপগী পান্থেনা শিরবা লিথিয়ম আইওন বেট্টরিবু রিসাইক্লিং তৌদুনা অনৌবা বেট্টরিশিং শাবা



ওয়রোমদগী — দাল্টন তে অমসুং মাধবি স্রিনিভাসন

ফীভমদা অকায়বা পীরক্লিবা ধাতুশিংবু হেক ঙম্লিবমখৈ নৌনা অমুক শুংদোক্তুনা শীজিন্নরগা, রিছোর্সকী অৱাৎপা লৈরিবসিবু মেনখৎপগা লোয়ননা মালেমগী অচৌবা ক্রাইসিস অমা ওইরক্লিবা ঈ-ৱেষ্ট অমসুং ফুদ ৱেষ্টশিংবুসু তুংশিন্দুনা লৈহন্দবা ঙম্লগনি হায়না 'এন টি স্কুল ওফ মেটরিএলস সাইন্স এন্দ এঞ্জিনিয়রিং' অমসুং স্কুল ওফ বাইওলোজিকেল সাইন্সেসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর দাল্টন টেনা ফোঙদোক্লি।

শীজিন্নখ্রবা বেট্টরিশিংবু রিসাইক্লিং তৌবদা অমাঙ-অতা থোকহনবা ঙম্বা পোলুটেন্টশিং পুথোরক্লিবা ইন্দষ্ট্রিগী থৌওংশিংগা লোয়ননা হায়দ্রোমেটলর্জি হায়বদি ঈশিংবু সোলভেন্ট অমা ওইনা শীজিন্নবসি অতোপ্পা পান্থে অমা ওইনা নোংম-নোংমগী শীজিন্নবা হেনগৎলক্লি। থৌওং অসিদা শীজিন্নবা লোইরবা বেট্টরিশিংবু 'ব্লেক মাস' হায়না খঙনবা পোৎশক অমা ফংননবা মচেৎ-মচেৎ থুগায়রগা অমুক তকখায়। ব্লেক মাস অদুবু মপাঙ্গল কনবা এসিদশিং নৎত্রগা মপাঙ্গল শোনবা এসিদশিংগা লোয়ননা হায়দ্রোজেন পেরোক্সাইদকুম্বা কেমিকেলশিংগা পুল্লগা শেম্বা য়ানশিন পোৎ অমদা তুমহল্লি অদুগা মৈদা কন্না শাহল্লি, অদুগা ধাতু অদুবু নৌনা অমুক শুংদোকই। থৌওংসিগী খ্বাইদগী খুদোংচাদবা অমদি হু চেনবা সেকেন্দরি কেমিকেলশিং থাদোরকপা অসিনি।

এন টি য়ুগী থিজিন-লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা থৌওং অসিদা ওভন অমদা কংহল্লবা কোমলা মকুবু মফোন তানা তকখায়রগা, সিত্রস ফ্রুইটশিংদা য়াওরিবা মপাঙ্গল শোনবা ওর্গানিক এসিদ, সিত্রিক এসিদকা য়ানশিন্নরগা শেম্বা পোৎশক অসিনা ধাতুশিংবু শুংদোকপা ঙমহল্লি। লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা, শিরবা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিশিংদগী কোবাল্ট, লিথিয়ম, নিকেল অমসুং মঙ্গানিজগী চাদা ৯০ মুক শুংদোকপা ঙমখি। মসি হায়দ্রোজেন পেরোক্সাইদ শীজিন্নবদা ফংলিবা চাংদুগা মান্নরবনি। এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর টেনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, কোমলা মকুদা ফংলিবা সেলুলোজ অসি থৌওংসিগী মনুং চন্না মৈদা শাহনবদা চিনিশিংদা ওন্থোরকই। চিনিশিং অসিনা বেট্টরি ৱেষ্টতগী ধাতুশিং শুংদোকপা ঙমহল্লি। কোমলা মকুদা য়াওরিবা ফ্লাভোনোইদ অমসুং ফিনোলিক এসিদকুম্বা এন্টিওক্সিদেন্টশিংনসু ধাতুশিংবু ফংহনবদা মতেং পাংই।

য়াম্না মরু ওইরিবা ৱাফম অমনা, থৌওং অসিদগী থাদোরকপা মপং ওইবা পোথোকশিংসি হু চেন্দে, অদুনা অকোয়বগী ফীভম অমসুং হকশেলদা অকায়বা পীদে। অসুম্না ফংলক্লিবা মেটরিএলশিংসি শীজিন্নদুনা অনৌবা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিশিং শাবদা, কৈথেলদা ফংলিবা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিশিংগা মান্নবা চার্জ কেপাসিটি ফংহনবা ঙম্মী। মখা তানা থিজিন্দুনা অসিগুম্বা বেট্টরিশিং অসিগী চার্জ-দিসচার্জ সাইক্লিং পর্ফোর্মেন্স হেনগৎহন্নবগী থৌরাং তৌরি। মসিগা লোয়ননা থৌওংসিদা এসিদ শীজিন্নবগী মহুত্তা, অতোপ্পা পোৎশক শীজিন্ননবা অমসুং পাক-শন্না পুথোকপা য়ানবগী ফীভমশিংসু য়েংশিল্লি। কোমলাগী মকুখক্তা নত্তনা, সেলুলোজ মরাং কায়না য়াওবা অতোপ্পা উহৈ-ৱাহৈশিংগী মকু অমসুং মনা-মশিংগী অরেম-অখাকশিং, লোয়ন-লোয়ননা লিথিয়ম আইরন ফোসফেট অমসুং লিথিয়ম নিকেল মেঙ্গানিজ কোবাল্ট ওক্সাইদকুম্বা লিথিয়ম-আইওনগী অতোপ্পা বেট্টরি মখলশিংদসু থৌওং অসি শীজিন্নবা য়াগনি হায়না প্রোফেসর মাধবিনা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা অনৌবা কাঙলোন অসিনা ইনভাইরনমেন্ট-ফ্রেন্দলি ওইবা অমসুং হেন্না সষ্টেনেবল ওইবা পুন্সি মহিং অমা পীরগনি হায়না থিজিন-লূপ অসিনা আশা তৌরি। ●

# ওলিম্পিক গেমস -২

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা মালেমগী মখা থংবা শরুক্তা হায়বদি ইক্কেটরগী মখা থংবদা লৈবা লৈবাকশিংগী সহরদা অহানবা ওইনা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবা অসি কুমজা ১৯৫৬তা ওষ্ট্রেলিয়াগী সহর মেলবর্ন্দনি হায়বা মমাঙগী ৱারেংদা পঞ্জখিবগা লোয়ননা অনৌবা লৈবাক তরেৎ অমসু অহানবা ওইনা ওলিম্পিক অসিদা শরুক য়াখি হায়বা ৱাফমসু থমজখ্রে অমদি গেমস অদু পাঙথোক্ত্রিঙৈগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা সোভিয়েট লৈবাক্না হঙ্গেরিদা টেঙ্ক থৌজিন্দুনা লান্দাখিবা, ইজিপ্টনা সিৱেজ কেনেল নেসনেলাইজ তৌরুবগী ইজরেল অমসুং মসিগী মীচংদা লৈবা য়ুনাইটেদ কিংদম অমদি ফ্রান্সনা ইজিপ্টতা লান তাশিনখিবদগী থৌদোক কয়ানা অমদি পোলিটিক্সকা মরী লৈনবা মরম কয়াদগী লৈবাক খরদি গেমস অসিদা শরুক য়াবা লাকখিদে।

মাইল অমগী লমজেলদা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন লেন্দিনা ওলিম্পিক গেমস অদু হৌদোকপগী থৌরমদা শান্নরোয়শিং অদুগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অদুনা শান্নবগী কাঙলোনশিংবু ইকায়খুম্নদা শরুক য়াগনি হায়না ৱাশক লৌখি। মাইল অমগী লমজেল ওলিম্পিক্কী থৌরমদা য়াওদে। লমশাং অসিগা হায়রপ মান্নবা ওলিম্পিক্কী থৌরম অমা ওইবদি মিটর ১৫০০গী লমজেলনি।

হৌখিবা ৱারেংদা কুমজা ১৯৫৬কী ওলিম্পিক্তা পাঙথোকখিবা মিটর ১০০গী সেমিফাইনেলদা অমেরিকাগী বোবী মোরো সেকেন্দ ১০.৩দা মায় পাকখি। রেকোর্দ (Timing) অসিগা চপ মান্ননা ইরা মরকিসনসু অতোপ্পা সেমীফাইনেলদা মকোক ওইখি। মরম অসিনা লমজেল অসিগী ফাইনেলদা অমেরিকা মচা অনী অসিনা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি হায়বা ভাবকশিংগী আশানি। ফাইনেল নুমিৎ অদু নুংশিৎনা লমজেল চেল্লক্কদবা মায়কৈদা মায়োক্নদা শিৎচিল্লকপা ওইবনা নুংশিৎকী শাফুনা লমজেলদা শরুক য়ারিবশিং অদুগী খোঙজেল অয়ৌবী থানা চেনবা ঙম্নদে। লমজেল অদু হেক লমথাবগা ওষ্ট্রেলিয়াগী হেক্টর হোগেননা মমাঙ থাদুনা চেনখিবদগী বোবি মোরোনা লমশাং অদুগী তঙ্খায় হেল্লকপদা হেনগৎখি। লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর ২৫ খক্তা ঙাইরবা মতমদা অনীশুবদা চেল্লিবা হেক্টর হোগেনবু ইরা মরকিসন অমসুং থেন বেকরনা ফংলবা মতুংদা মখোয় অহুম্না বোবী মোরোবু তান্নবদা ফংখিদে, মহাক্না লমথুংফম হান্না য়ৌখি। মহাকপু নক্না তান্নরকপা থেন বেকরনা অনীশুবা তাখি। অদুবু মতমদি চপ মান্ননা সেকেন্দ ১০.৫ ওইরম্মী। হোগেননা অহুমশুবা তাখি। মহাক্না মরিশুবা তাখিবা ইরা মরকিসনগসু খজিক্তুংদা হেন্নখি। মখোয় অনীগী মতমদি সেকেন্দ ১০.৬ নি। মতম অসি ফাওবদা ওলিম্পিক্তা ফোটো ফিনিশ টাইমিং শীজিন্নদ্রি। অদুবু ফোটো ফিনিশ টাইমিং মালেমগী চাওখৎপা মফমশিংদা শীজিন্নবা হৌখ্রে।

ক্বীন্সলেন্দদা লৈবা হেক্টর হোগেন ওলিম্পিক্কী মিটর ১০০গী লমজেলদা মেদল ফংবা ঙম্বা অনীশুবা ওষ্ট্রেলিয়া মচানি। মহাক্কী মমাঙদা ষ্টেন রোলিনা কুমজা ১৯০০গী পেরিস ওলিম্পিক্তা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। হেক্টর হোগেন ওষ্ট্রেলিয়াগী গজ (Yard) ১০০গী লমজেলদা চেম্পিয়ন মঙারক ওইখি অমসুং লমশাং অসিগী মালেমগী রেকোর্দসু মহাক্কী মমীংদা লৈরমখি। অদুবু লমজেল অদুগী পন্থুংফম য়ৌরমদাইদা মহাক্কী লম্বাশিং অদুনা কয়া য়াম্না য়াঙনা চেল্লিবগে হায়বা খঙনবা মখোয়দা য়েংলিঙৈদা বেকরনা মঙোন্দগী হেনগৎখিবা অদুদা মহাক নীঙমখিদে। চহী মরিগী মতুংদা কুমজা ১৯৬০গী রোম ওলিম্পিক পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা মহাক্কী পোক্নফমদা লুকেমিয়া (Leukamea) নাদুনা লৈখিদে। মহাক্না লৈখিদবা অদু রোম ওলিম্পিক্কী মিটর ১০০গী ফাইনেল পাঙথোকপা নুমিত্তনি।

বোবি মোরো মিটর ২০০গী লমজেলদসু মকোক ওইদুনা ওলিম্পিক গেমস অমদা নুপা অমনা মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০গী লমজেলদা সনাগী মেদল ফংবা অসি অতাঙবনি। মহাক্কী মমাঙদা কুমজা ১৯৩৬তা বর্লিন্দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা অমেরিকাগী জেসী ওৱেন্সনা লমশাং অনীমক অসিগী লমজেলদা মকোক ওইখি। মেলবর্ন ওলিম্পিক অদুগী মিটর ২০০গী লমজেল অদুদা হৌখিবা কুমজা ১৯৫২গী হেলসিনকিদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী হায়জম্পকী থৌরমদা অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা ব্রাজিলগী তেল্লেস-দা-কনসিস্যাও (Telles-da-Conceição) মিটর ২০০গী লমজেলদা শরুক য়াদুনা তরুকশুবা পোজিসন ফংখি। লাইরিক খরদা অসুম্না ইরি মদুদি মহাক্না হৌখিবা ওলিম্পিক্তা মিটর ২০০গী ফাইনেলদা শরুক য়াখিবা অদুদা মহাক্কী লেন (লমজেল চেন্নবা কাখল) অদু খ্বাইদগী মপান থংবদা তারম্মী। লমজেল অসিগী ফাইনেলদা এন্দি ষ্টেনফিলদনা অনীশুবা তাখি। মহাক হৌখিবা কুমজা ১৯৫২গী হেলসিনকি ওলিম্পিক্তা লমজেল অসিগী চেম্পিয়ননি। অহুমশুবা তাখিবা লমজেল্লোই অদুসু অমেরিকা মচা থেন বেকরনি। লমজেল অসিদা পাকিষ্টানগী অবদুল খালিক অহানবা অমসুং অনীশুবা রাউন্দশিংদা সেকেন্দ ২১.১ দা চেন্দুনা সেমীফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং সেমীফাইনেলদা মপাঙ্গল মথৌনা অৰৈবীদা ফুদোকপা ঙমখিদে। লমজেল্লোয় তরুক ফাইনেলগীদমক খনগৎতুনা তান্নহনখিবদা অমেরিকা মচা অহুম অসিনা অহানবগী পোজিসন অহুম অদু ফংখি।

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীশিং লমজেল মতেক চেনবদা খুমাঙ চাওশিল্লকখি। লাঞ্জাও অসিগী মমাঙদা লৈবাক অসিগী নুপীশিং য়ুরোপ অমসুং অমেরিকাগী নুপীশিংগা লম্বা তৌনবা ঙমখিদে। লাঞ্জাও অসি হেক লোইখিবগা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীশিং কুমজা ১৯৪৮গী লন্দন ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবদা লৈবাক অসিগী শরলি ষ্ট্রিকলেন্দনা মমিং লৈরবী হোলেন্দগী ফেন্নি ব্লেনকরস কোয়ন হায়না কৌবী মমিং চৎপী এথলিট অদুগা মিটর ১০০গী লমজেলদা লম্বা তৌনবদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। তৌইগুম্বসুং থৌরম অদুদা অনীশুবা তাখিবী গ্রেট বৃটেনগী দোরেথী মেনলেয়গা রেকোর্দতি চপ মান্ননা সেকেন্দ ১২.২ ওইরম্মী। মথংগী রোম ওলিম্পিক্তা শরলি ষ্ট্রিকলেন্দ অহুমশুবা তাখি। অতোপ্পা ওষ্ট্রেলিয়াগী লৈশাবী মারজোরী জেকসননা মকোক ওইখি।

মেলবর্ন সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অদু কুমজা ১৯৫৬কী নবেম্বর ২২দগী দিসেম্বর ৮ ফাওবা চত্থখি। নুপাগী মতম অদুদা মালেমগী মিটর ১০০গী রেকোর্দতি সেকেন্দ ১০.১নি। রেকোর্দ অদু লমজেল্লোয় মরিগী মমিংদা লৈরমখি। মখোয় অদুদি (১) লোয়দ লাবিচ (২) ৱিল্লি ৱিল্লিয়ম (৩) ইরা মরকিসন অমসুং (৪) লিমোন কিঙনি।

ৱারেং অসি ইবদা মতেং লৌখিবা লাইরিকশিংদি (১) ওলিম্পিক গেমস : লোর্দ কিল্লানন অমসুং জোন রোদদা (২) গিনিস বুক ওফ ওলিম্পিক : বেন্তাম বুক কম্পেনি (৩) দি ওলিম্পিক্স : লোকেল শর্ম্মা (৪) দি ওলিম্পিক্স ফ্রোম এথেন্স-টু-এথেন্স অমদি (৫) ওলিম্পিক গেমস : এল অজিৎ। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।